শেনবা চহী ২০২৪-২৫গী বডজেট...

লমায় ১গী মখা... লুপা ক্রোর ২০,৬২৮গী ইষ্টিমেট তৌবগা লোয়ননা কেপিটেল আউটলেদা ইষ্টিমেট তৌবা শেনফমনা লুপা ক্রোর ৮৬১৬নি হায়খি।

ফিসকেল দিফিজিৎকী শেনফমনা জি এস দি পিদা চাদা ৩ ওইরগা লুপা ক্রোর ১৫২৬তা ইষ্টিমেট তৌরি অমসুং শেনবা চহী অসিগী অপূনবা শেন্দোলগী শেনফম্না জি এস দি পিগী পর্সেন্টেজদা চাদা ৩৫গী পান্দম থল্লি হায়খি।

পূন্না লাক্কদবা শেনফমশিংনা লুপা ক্রোর ৩৪,৮১৫দা ইষ্টিমেট তৌরি হায়রদুনা রেভন্যু রিসিভনা লুপা ক্রোর ২৭,৭৬ ওইরগা কেপিটেল রিসিভনা লুপা ক্রোর ৭০৯৯দা মীৎয়েং থল্লি। ষ্টেটকী ওইজবা টেক্স অমসুং নন টেক্সকী চাংনা লুপা ক্রোর ২৪৭০ অমসুং লুপা ক্রোর ৩০০গী পান্দম থল্লি হায়খি।

য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মাঙখ্রবা শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা মতেং পীরি হায়রদুনা য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা ষ্টেট অসিগী মাঙখ্রবা শেন্মীৎলোন মেনখৎপা ঙম্নবগীদমক অচৌবা মতেং পাংলি হায়রদুনা রেভন্যুশিংদা মাঙখিবগীদমক য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা লুপা ক্রোর ৫০০গী স্পেসল এসিষ্টেন্ট পীনবা এপ্রুভ তৌরে হায়খি।

এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল ...

*লমায় ১গী মখা...*ইলেক্সন পিটিসন অসি টি ঐচ বসন্তকুমারগী ইলেক্সন এজেন্ট ওইখিবা নম্বোল ফোইজিং মখাদগী অহোংশাংবম জি তেন (৫৬) অপোকপা এ জেমস অমসুং হাওরৈবি শন্তুখোংদগী এম দি অস্কর অলি মককময়ূম (৪৩) অপোকপা এম দি নৱাব অলি অনীনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি।

ইলেক্সন পিটিসন অসি হয়েং হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস সিদার্থ ম্রিদুলগী বেঞ্চনা লৌখৎতুনা খন্ননবগীদমক বেঞ্চ অসিগী 'মোসন' গী শরুক্তা আইটেম নম্বর ১দা লিষ্টি তৌখ্রে। কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা কাউন্সেল অজয় পেবম অমসুং মহাক্কী এসোসিএট কাউন্সেলশিংনা লেপকদৌরি।

পনবা য়াবদি, ইলেক্সন পিটিসন অসিনা এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমদা তৌরক্লিবা চার্জশিংগী মনুংদা মহাক্লা মীখল অসিদা মীরেপ ওইনবগীদমক ফাইল তৌখিবা নোমিনেসন পেপরগা লোয়নবা ফোর্ম-২৬ এফিদেভিটতা মহাক্লা মীখল থেংনগদৌরিবা পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী মমিং- নম্বর ১- ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি হায়গদবদা ১২-কৈশামথোং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ওইনা হায়রম্লে অমসুং মহাক্লা জে এন য়ুদা এসোসিএট প্রোফেসর ওইবদগী রিজাইন তৌদনা মীখল থেংনখিবনি হায়বা চার্জশিং তৌরি। অদুগা মহাক য়াওনা রেস্পোন্দেন্ট ৬মক ওইনা কোনশিল্লক্লিবশিংনা মীখল অসিদা মীরেপ ওইখিবা কেন্দিদেটশিংনি।

অদুম ওইনমক হয়েং মেট্টর অসি চীফ জষ্টিসকী বেঞ্চনা লৌখৎতুনা খন্নরবা মতুংদা কেস অসিগী মরাইবক খঙলবা য়ারি।

GAS NEWS

KHUMBONG INDANE
Booking upto 18-05-24
Valid from 17-05-24
Only home delivery sarvice
Within 4 days
Office no.9774068549
Home delivery contact no.8974511936
Message no.8974511936
Stock.324
Time 7.30am to 10.am
TANGLEI GAS OINAM
V/f-03-05-24
B/upto - 05-05-24
Stock-342
7am to 10am
First Come First Serve
HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 14/06/2024
BOOKING UPTO: 19/06/2024
TIMING: 7:00 AM to 10:00 AM (Temporary).
For Home delivery:
9863576002 (SMS only)
Delivery within 7 days
M/s K&K INDANE SERVICE
home delivery only
Booking order please contact
Call Timing: 8am To 11am
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL- Imphal East.
Singjamei. 9362663937
SAGOLBAND TERA & SURROUNDING
8787530107 / 9863654574 / 9774213728 /9089519886
Mayai lambi/Tiddim line
87946 84988
TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA / 8258856407 / 8257085221
KONTHOUJAM A/c 9863201839
LAMSHANG A/C - 9612493837

HL Poll

Q : Loisindriba Lan ashigi matangda meeyamna achumba waphamsing hairakpada leingakna saobagi mahutta wakhal tabana chumloidra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak
www.hueiyenlanpao.com
da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Prime Ministerna Chief Ministerda makhoina tourakpa thabakta yagadabani haiduna khanghallakle hainariba ashibu achumba oigadra?

Yes 62% No 38%

অস! লোইরেহে!

- অদু পীখ্রে, অদা পীখ্রে, অদা তৌখ্রে।

- [illegible]



- অদু-অদা অমত্তা ফংদে।

- [illegible]

ঙসি হয়েংসিদা অচৌবা লূপ খরনা ঈংনা চিক্লা লৈমিন্নবা পাম্মী...

লমায় ১গী মখা... মিনিষ্টর এস রঞ্জননা পুখৎলক্লবা মতুং মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাইনা সেকেন্দ তৌখিবা এদ্রেস অসিগী দিষ্কসনদা শরুক য়াখিবা ওপোজিসন এম এল এশিংনা থাঙ্গৎলকখিবা এমেন্দমেন্ট মোসন অমদি পীরকখিবা ওবজার্ভেসনশিংগী পাউখুম ওইনা ৰাফম অসি হাউসতা ফোঙদোকখিবনি।

হাউসকী লিদরনা মখা তানা হায়, কুকিগী এপেক্স বোদি অমনা কন্দিসন খরদা এন আর সী তৌবা য়াবগী মতাংদা ফোঙদোরকখ্রে। অতোপ্পা য়াম্না নুংঙাইবা অমনা লূপ খরগী মায়কৈদগী চীংদা পোপি থারিবসি থিংনবা চেরোল থোরকখ্রে। হন্দক ঐনা প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর, দিফেন্স মিনিষ্টর উনবদসু মখোয়নসু এন আর সী য়ারবনিনা ৰারী শানবগী মিটিং পোইন্ট অমদি লৈরে হায়বা ৰাফম থল্লকখি। সেন্টরনসু মূক্করিবা নাকল অনীগী মীওইশিংগা ৰারী শানবা কৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈরে হায়খি।

গভর্ণরগী এদ্রেসতা হায়নীংবা-পন্নীংবা ময়াম অমা লৈরবসু মতমগী খুয়ৌনবা লৈবনা মরু ওইবা পোইন্টশিং হাপ্লগা শুগাইনদি হাপ্তবনি। মণিপুরগী ঈরাং অসি চহী অমা মখায় রোম শাংনা চথুরল্লিবসি ইস্যু অসিদা ৰাখল তামিন্নদবদগীনি। ৰাখল তামিন্নবা নুমিৎতা লোইনা ফগনি। মণিপুরদা ঈং তপ্পা হঞ্জিল্লক্লে কাইনা ফোঙনা মীদিয়াদা হেক হায়রুবদা কনাগুম্বা খরনা য়ৈখাই থিনগাইবা পীনবা হোৎনরকই। ঐনা হন্দক গুৱাহাটিদা চৎলগা কুকি এম এল এ খরা উনবদা খঙহন্দনবা হোৎনৈ অদুবু ৰা ৰা তৌরগা কনাগুম্বা খরনা মখোয়বু কিহন-খংহনবীবা ফাওবা য়াওই। হৌজিক লৈরিবা মণিপুরগী ইস্যু অসি মমুৎ তানা খঙমিন্নবা তঙাইফদে। মসিদি ওপোজিসন নৎত্রগা রুল্লিংগী ৰা নত্তে, লৈবাক্কী ওইবনি। ঈরাং অসি হৌগৎলকপদা মীওই কয়া লৈখিদবা, লৈঙাক্লা কনবা ঙমহৌদবা ঐ ঈশাসু নীঙমজদে। অদুবু লমদমসিদা করম্না ঈং-তপ্পা হঞ্জিলহনগদগে অমদি লাঞ্জেন্নরিবা ময়াম ময়ূমদা চঙহন্নবা লৈঙাক্কীসু ব্লু প্রিন্ট য়াৎথোক্তুনা থবক পায়খৎলি। কনাগুম্বা খরনা য়ৈখাই থিনগাইবা পীদনবা কনফিদেন্সল ওইনা থম্নবা গভর্ণরগী এদ্রেসতা হাপ্তবনি। হিল এরিয়াজ কম্মিটিগী চ্যেরমেননা লুচিংদুনা মেম্বর ৫গী কম্মিটিনা কুকি এম এল এশিং উনরুবা, হোম মিনিষ্ট্রিগী মীৎয়েং মখাদা এম এল এ খরনা দেল্লীদা উনরুবা, নাগালেন্দদা উনরুবা লৈ। ময়ামসি এক্সপোজ তৌবগী মহুত্তা ঐখোয়না পাল্লিবদি পিছ অমদি ৰারোইশিননি হায়খি।

গভর্ণরগী এদ্রেস খন্নরকপদা ওপোজিসন লিদর ও ইবোবীনা হাউসকী লিদর চীফ মিনিষ্টরনা ইতৎ তত্তনা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা মণিপুরদা আই এল পি পীরে, এন আর সী য়ারে অমদি বোর্দর ফেন্সিং তৌরে হায়বগী মতাংদা পীদবা করিবু লৈরিবগে হায়বদুদা য়ানীংদবা ৰাফম কয়া পুখৎলকখি।

ৰাফমশিং অদুগী পাউখুম ওইনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, এন আর সী হায়বসি ময়ামগী ওইবা কম্মন দিমান্দনি। এন আর সীগুম্বা বাইওমেট্রিক লৌদুনা মীতোপ খন্দোকপা অমদি দিপোর্ট তৌরে হায়বনি। এন আর সী চৎনরে হায়বা নত্তে। আই এল পিসু মীয়াম পূন্না তানমিন্নবনি। খোঙজং চঙশিনবদা লৈখিদবা ফাওবা য়াওরিবনি। অদুবু বি জে পি লৈঙাক্কী মতমদা পীরকপনিনা বি জে পিনা আই এল পি পীরে হায়বনি। বোর্দর ফেন্সিংসু হান্নগী কিলোমিটর ১০গী মথক্তা অনৌবা খানবা সেঙ্কসন তৌরে হায়বনি, খারে হায়বা নত্তে হায়না শেংদোকখি।

হাউসকী লিদরনা মখা তানা হায়, লমদমসিদা থোক্লিবা ঈরাংসিগী খুদোংচাবা লৌরগা কনানো করিনো খঙদবা মীওই খরনা মীয়ামদগী শেল খায়বগী থবক চথুরকপসি অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। লমদমসিদা ঈরাং মায়োক্লরিঙৈদা ঈচাও অনীরক মায়োক্লখ্রে অমদি লেন তাবনা চাউনা অমাঙ অতা থোকখ্রে। লুপা ক্রোর লিশীং ২গী ইকনমিক পেকেজ অমা পীনবা মমাঙদা সেন্টরদা তকশিনবা লৈখ্রে। লুপা ক্রোর ৫০০দি পীরকখ্রে। হন্দকসু অমুক সেন্টরদা তকশিল্লম্লে। অচৌবা শেনফম অমা লমদম অসিগীদমক সেন্টরদগী পীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

হৌজিক রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা ময়াম ময়ূমদা হঞ্জিন্নীংলমগনি হায়বদু ঐখোয়সু চপ মান্ননা ফাওই। অদুবু হঞ্জিলহন্নীংই হায়দুনা মখোয়গী পূন্সিদা অশোয় অঙাম থোকহন্দবা হায়বসিসু মরু ওইবনিনা পোলিটিকেল সোল্যুসন অমদি নে তাবা ফীভম লাক্ত্রিবা ফাওবদি নুংঙাইরোই হায়না লৈবনি। হৌজিক অয়াবা মফমদদি অদুম হঞ্জিন্দুনা লৈনবা য়াওরে। মণিপুরদা ঈরাং থোক্লিবসি ফনা কুইরে, চহী অমা মখায় ফারক্লে। খুল ঙাকপশিং ফাবা পূনবা য়াওরিবসি শেল খায়বা, শেল লাকপা-মুনবা তৌবা কারন তাবশিং অদু খক্তা ফাবনি। চুম্নগী খুল ঙাকচবা মীওই ফাবা পূনবা অমত্তা লৈরম্লোই হায়নসু হাউসতা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৪দা মোদি লৈঙাক্লা লৌথোকখিবা মণিপুরগী...

লমায় ১গী মখা... মমাঙগী অহানবা চহীসিগী মীফমদা গভর্ণরনা পীখিবা এদ্রেস খন্নবদা শরুক য়ারদুনা সেন্টরদগী স্পেসল পেকেজ অমা পীবিনবা হায়নবগীদমক হাপচিন্নবা ৰাফম য়াওনা এদ্রেস অসিদা ফোঙদোকখিবা অতৈ ৰাফম কয়াগী এমেন্দমেন্ট মোসন পুখৎলদুনা ৰাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা মখা তানা হায়, চুম্নগী রিলিফ কেম্পকী চেঙ, হৱাই পীরকই অমদি প্রি ফেব্রিকেটেদ হাউস শাবগী শেল পীরকই হায়না পেন্থোকপনদি ষ্টেট অসিগী ফীভম শোক্লবা শেন্মীৎলোন ফূক্কৎপা ঙম্লরোই। অচৌবা পেকেজ অমা সেন্টরদগী নীবা তাই। মসিগীদমক গভর্ণরগী এদ্রেসতা হাপচিনসি হায়খি।

অমরোমদা, মণিপুরগী স্পেসল ষ্টেটস অদু কুমজা ২০১৪দা নরেন্দ্র মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকপদগী ককথৎখ্রে। স্পেসল ষ্টেটস লৈরবদি চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং পায়খৎপদা সেন্টরদগী মতেং য়াম্না ফংই। মরম অসিনা মণিপুরদা স্পেসল ষ্টেটস অমুক হন্না পীহন্নবসু গভর্ণরগী এদ্রেস অসিদা হাপচিনগদবনি হায়খি।

লমদমসিদা হাৎন-শুনবগী ঈরাং থোরকপদগী সী এমনা প্রাইম মিনিষ্টর উনদুনা সোল্যুসন পুরক্লবা তকশিল্লু হায়না মীয়াম্না লাউরগা লাক্লি। হন্দক চীফ মিনিষ্টরনা নিতি আয়োগকী মীফমদা শরুক য়াবা চৎত্রিঙৈগী মাঙওননা প্রাইম মিনিষ্টর উনদুনা মণিপুরগী ঈরাং অসিগী মতাংদা খন্নগনি হায়না ফোঙদোক্লম্বা থেংনখি। মীয়াম্নসু খৌরাংনা ঙাইনরমগনি। মীদিয়াদা থোরকপা রিপোর্টকী মতুংইন্না চীফ মিনিষ্টরনা প্রাইম মিনিষ্টর উনরে হায়রকখি। মরম অসিনা থা ১৫ রোমগী মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর উনরুবদা করি করি ৰারী শানরকপগে হায়বদুগী পাউদম থম্বা য়াবা মখৈ মীয়ামদা থন্বীয়ু। মীয়াম্না লাংতক্লবা খরদসু কোক্কনি হায়খি।

অমরোমদা, গভর্ণরগী এদ্রেসতা ঈরাংসিগী মনুংদা লোনা য়াদবা মওংদা পায়রিবা অমদি লাকখিবা খূৎলায়শিং লৌখৎনবা থবক কয়া পায়খৎলে হায়বা য়াওরি। হৌজিক মণিপুরদা মীচম মীয়ামগী পূন্সি শাফরে হায়বা মফম অমত্তা লৈত্রে। লো এন্দ ওর্দর হায়বসি ষ্টেটকী সবজেক্টনি অদুবু মণিপুরদদি লোনা লৈঙাক্লা পায়রগা লৈরে অদুগা ওর্দরনা মশক খঙদবা খূৎলায় পায়বশিংনা তৌনীংবতা তৌদুনা লৈরে। মীয়ামগী পূন্সি অমদি লন-থুম ঙাক শেনবগী লৈঙাক্কী মথৌ কদাইদা চৎখ্রে হংখি।

অমরোমদা, ইরমদম অমদি ইফূরুপ অসি কন্দবা য়াদে হায়দুনা থোক্লকখিবা খুল ঙাকপশিং মরন্নাই তাহন্দনবা অমসুং অৱাফমদা তাদনবগীদমক লৈঙাক্লা পোলিসি পায়খৎকদবনি। মীয়াম ঙাক শেনবা অমদি ঙমখৈ ঙাকপা হায়বসি মীচম মীয়াম্না তৌগদবা নত্তে। লৈঙাক্লা মতম চানা ঈরাং অসি লাকশিলহৌদবা অমদি লোইশিলহৌদবনা খুল ঙাকপশিং থোরকখিবনি হায়খি।

লো এন্দ ওর্দরগী মতাংদা গভর্ণরগী এদ্রেসতা য়াওরিবসিদা নেসনল হায়ৱেগী মতাংদা করিমত্তা পনবীদ্রে। হায়ৱেদা মীয়ামগী অচা অথক অমদি চঙদবা য়াদ্রবা পোৎ চৈ পুরক্লিবা দ্রাইভরশিংদা ইতৎ তত্তনা ফূবী চৈবীবা অমদি খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরবসু হায়ৱে প্রোটেক্সনগী মতাংদা করিমত্তা পনবীদবসি শিরে নরন্নাই, চঙলে নরন্নাই হায়না লৈঙাকসিনা খনবা মাল্লি। হায়ৱে অসিদা চৎলিবশিং ঙাক শেন্নবগী থবক পায়খৎপা তঙাইফদে। লোয়ননা ঈরাং অসিনা মরম ওইরগা য়ূম অমদি লাইশঙনচিংবা থুগাই খোৎকাইবা তৌদনবা ঙাক শেন্নবগী সিক্যুরিটি থল্লে হায়রিবসিসু অরানবা ওইগনি। চূড়াচান্দপুরদা মীতৈগী য়ূমশিং বোম অমদি মেছিন শীজিন্নদুনা লোইনা উফুল শানা থুগাইখ্রে। তেমখাইদুনা লম্পাক ওন্থোক্লে অমদি ইঙ্খোল কোইনরে। হন্দক্তসু মপাঙ্গল কনবা বোম শীজিন্নদুনা মীতৈগী য়ূম থুগাইবগী ভিদিও ভাইরেল ওইরকখ্রে হায়না হাউসতা ফোঙদোকখি।

'নুমিৎ নীনি-হুম্নিদা দিমান্দশিং পাস তৌথোক্লগা লাঞ্জেন্নরিবশিং ময়ূমদা ...

*লমায় ১গী মখা...*অদুক্কী বডজেট পুথোকখ্রে হায়বা ৰাফম তানীংলমগদবা মান্দে। মরম অসিনা দিপার্টমেন্টশিংগী দিমান্দশিং নুমিৎ নীনি হুম্নিদা লোইনা পাস তৌথোক্লসি অদুগা নুমিৎ নীনি চঙলবসু, হুম্নিবু চঙলবসু লৈরিবা রুল্লিং অমদি ওপোজিসনগী এম এল এ পূম্নমক্লা ৰাখল্লোন ফোঙদোক্লুদুনা করম্বা মতমদা লাঞ্জেন্নরিবশিং ময়ূমদা হঞ্জিলহনসিগে অমদি ঈরাং অসিনা মরম ওইরগা দিষ্ট্রিক্ট লান্না চঙনবা য়াদ্রিবা ফীভম অসিগী মতাংদা ৰারেপ লৌসি হায়খি।

লাঞ্জেন্নরিবশিং ময়ূমদা হঞ্জিলহল্লবা অমসুং অমগা অমগা চঙথোক চঙশিন য়াদ্রিবসি য়ারক্লবা মতমদা নোর্মেলসি লাক্লে হায়গদবনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, মণিপুরগী ঈরাং অসিগী মতাংদা নেসনল লেভেলদা ওল পোলিটিকেল পার্টিগী মীটিং পাঙথোকখিবদা অমিট শাহ অমদি জে পি নদ্দা য়াওখিবগা লোয়ননা ঐদি অদুমক সজেসন পীজবনি। লৌবা লৌদবা হায়বদুনা তোঙানবা অমা ওইখ্রগা মালেমসিদা মিলিটরিগী মপাঙ্গল কনবদা ইন্দিয়ানা মরিশুবদা লৈ হায়নরিবনি। মরম অসিনা সেন্টরনা মতম অমা পীরগা নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা নৎত্রগা চয়োল অমগী মনুংদা চীংদবু ওইরো, তম্পাক্তবু ওইরো, সূদা লৈববু ওইরো, লৈতববু ওইরো, লোনা য়াদবা মওংদা খূৎলায় পায়বা য়ারোই হায়না সেন্টরনা খূৎ থিংজিল্লকপা মতমদা কনাসু লম হেনবা ঙমগদবা মান্দে হায়খি।

মীতৈ-কুকিবু ওইরো নৎত্রগা অমবু ওইরবসু ৰারী শানদ্রবদি নোংমৈনা অমদি ফোর্সনা ঙাক্তা লোইশিনবদি য়ারোই। ৰারী শানৌ, ফম্মিন্নৌ হায়না হোম মিনিষ্টর নৎত্রগা প্রাইম মিনিষ্টরগী লেভেলদা নখোয় মশেল কায়নবা য়ারোই হায়না মীৎয়েং চঙদ্রবদি ঈরাং অসি লোইশিনবা ৰাগনি।

অমরোমদা, হাউসকী লিদরসু ওইরিবা চীফ মিনিষ্টর বিরেননা হায়খিবদা ইন্দিয়ানা ময়াম পীরে, ময়াম তৌরে, পীদবা করিবু লৈরি, আই এল পি, এন আর সী, বোর্দর ফেন্সিং অমদি ফ্রী মুভমেন্ট রেজিমগী মতাংদা ইতৎ তত্তনা ঙাঙলি। অদুবু আই এল পি অসি সিটিজেনশিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী মতমদা মণিপুরগী মীয়াম্না সী এ বি য়ানীংদ্রিবা করিগীনো হায়না অমিট শাহনা হংখিবা মতম অদুদা চীফ মিনিষ্টর ওইখিবা ঐ, হান্নগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর জয়কুমার, মিনিষ্টর বিশ্বাজিৎ অমদি ইবোবী মশামক য়াওনা মীফম পাঙথোকপদা সজেসন পীরুবদগী লাকখিবনি। সী এ বি অসি আই এল পি চৎনরবদি চৎনরোই হায়বনিনা অৱাং নোংপোক্কী আই এল পি চৎনবা ষ্টেট অতৈগুম্না মণিপুরদসু আই এল পি চৎনহন্নবা ঐহাক্লা সজেসন তৌজখিবনি হায়না হাউসতা ফোঙদোকখি।

অদুদগীদি ফরে-ফরে হায়দুনা অমিট শাহনসু পার্লিয়ামেন্টতা অদুমক লাউথোরকখিবনি। কোংগ্রেসনা এন আর সী সপোর্ট তৌদে হায়বগী মতাংদা শেংদোক্লদুনা ওক্রম ইবোবীনা হায়, কংলাদা পাঙথোকখিবা হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর আর কে রঞ্জন অমদি স্পিকর সৈত্যব্রতসু শরুক য়াবা এম এল এ, মিনিষ্টরশিংগী মীফমদা লৈবাক মীয়ামগী ফগাদ্রা হায়দুনা লৌখিবা ৰারেপশিং অদুদা এন আর সীসু য়াওই। হায়রিবা কংলাগী ৰারেপ অদু অমুক হন্না এসেমব্লিনা এদোপ্ট তৌনবা কোংগ্রেস পার্টিগী এম এল এনা প্রাইভেট মেম্বর রিজোল্যুসন ওইনা থাঙ্গৎপদা স্পিকরনা এদমিট তৌবীখিদে। এন দি এ লৈঙাক্লা কুমজা ২০০৩দা এন আর সীবু পার্লিয়ামেন্টতা পুথোকপদসু কোংগ্রেসনা ওপোজ তৌখিদে। রাহুল গান্ধীনা এন আর সীগী মতাংদা লৈরিবা ৰাখল্লোনসু সী এ এ অমদি এন আর সী অনীমক চৎনবা হায়বসি চুশিন্নদবা ওইবদগীনি হায়খি।

বি জে পি ওনখ্রবা জে দি-য়ুগী এম এল এ ৫গী লাইবক...

লমায় ১গী মখা... (দিসক্বালিফিকেসন ওন গ্রাউন্দ ওফ দিফেক্সন) রুলস, ১৯৮৬কী মখাদা এম এল এশিং ওইবদগী দিসক্বালিফাই তৌবীয়ু হায়না মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা লিংলিবা টেন্থ সেদ্যুলগী ত্রাইব্যুনেলগী প্রিসাইদিং ওফিসরসু ওইরিবা স্পিকরদা ৰাকৎখিবনি।

মহাক্কী পিটিসনশিং অদু জন্যুৱারী ১১, ২০২৩দা অহানবা ওইনা ফাইল তৌখিবনি। অদুবু স্পিকরগী মায়কৈদগী থবক্তা ওন্থোরক্তবদগী অনীশুবা পিটিসন অমসু মে ২২, ২০২৩দা ফাইল তৌদুনা এম এল এ মঙা অসিগী মথক্তা দিসক্বালিফিকেসন কেস রেজিষ্টর তৌদুনা ৰায়েল চথুবীনবা হায়জখিবনি। অদুম ওইনমক স্পিকরগী মায়কৈদগী পিটিসন অনীসিগী মতুংইন্না তৌফম থোকপা থবকশিং তৌরক্ত্রে হায়দুনা পিটিস্নর অসিনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা রিট পিটিসন (সী) নম্বর ৭৭৪ ওফ ২০২৩ ফাইল তৌরকখিবনি।

কেস অসিগী অরোইবা ৰায়েল থা অসিগী ১দা চীফ জষ্টিস সিদার্থ ম্রিদুল অমসুং জষ্টিস গোলমৈ গাইফুলশিল্লু কবুইগী বেঞ্চতা চথখিবদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা কাউন্সেল অজয় পেবমনা লেপখি অদুগা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মায়কৈদনা এদভোকেট জেনরেল লেনিন হিজমনা লেপখিবনি।

নুমিৎ অসিদা এদভোকেট জেনরেলগী মায়কৈদগী সুপ্রিম কোর্টকী কন্সটিট্যুসন বেঞ্চনা 'সুভাস দেসাই ভর্সেস প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি, গভর্ণর ওফ মহারাষ্ট্র এন্দ অদরস' (রিপোর্টেদ এজ-২০২৪-২ এস সী সী ৭১৯) না পীখিবা দিরেক্সনগী মতুংইন্না এসেমব্লিগী সেক্রেটরিগী মায়কৈদা লেপ্তুনা স্পিকরনা টেন্থ সেদ্যুলগী মখাদা লোগী মতুংইন্না 'ৰিদিন এ রিজনেবল পেরিয়দ ওফ টাইম' গী মনুংদা এম এল এশিং অসিগী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলগনি হায়বগী থাজবা পীখিবদগী কোর্টনসু অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা ৰাফম অসিমক দিরেক্সন ওইনা পীখিবগা লোয়ননা জে দি-য়ুগী সেক্রেটরি জেনরেল এম দোরেন্দ্রোনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর অমসুং সেক্রেটরি য়াওনা এম এল এ মঙাগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অসি দিস্পোজ তৌরে হায়দুনা লাউথোকখিবনি। অদুগা করিগুম্বা পিটিস্নরনা হায় কোর্টকী ওর্দর অসিগা মরী লৈননা 'এনি দিফিক্লটি' মায়োক্নরক্লবদি দিস্পোজ তৌরবা কেস অসি অমুক হন্না রিভাইব তৌবগী লিবর্টি পীরে হায়নসু খঙহনখিবনি।

কোর্টকী ওর্দর অসিগী মতুংইন্না পিটিস্নর এম দোরেন্দ্রোগী মায়কৈদগী স্পিকরদা থবক্তা ওন্থোকপীনবা থা অসিগী ১দা অহানবা লিগেল নোটিস অমা পীখিবনি। অদুবু লিগেল নোটিস অসি পীরবা ফাওবদা থবক্তা ওন্থোরক্তবদগী অনীরকশুবা লিগেল নোটিস অমা থা অসিগী ৯দা অমুক হন্না পীখিবনি। মসি ফাওবদা থবক্তা ওন্থোরক্তবদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা স্পিকরদা দিরেক্সন পীরবা মতুংদা দিস্পোজ তৌশিনখ্রবা মহাক্কী রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ৭৭৪ ওফ ২০২৩ অসি অমুক হন্না রিভাইব তৌবীয়ু হায়দুনা ঙসি মহাক্কী পিটিসন অসিগা মরী লৈনবা মিসেলিনস কেস- দব্লিয়ু পি (সী) অমা ফাইল তৌখিবনি হায়রি।

মরম অসিনা পিটিস্নর অসিনা ঙসি ফাইল তৌখিবা মিসেলিনস কেস অসি কোর্টনা লৌখৎতুনা খন্নগদ্রা অমসুং দিস্পোজ তৌখ্রবা মহাক্কী পিটিসন অদু রিভাইব তৌরক্কদ্রা হায়বদুদি কোর্টকী ৰায়েল ঙাইহিবা তারি।

রিলিফ কেম্পনা বৈতরনি তুরেল ওইরকপা : মশাগী চহী..

*লমায় ১গী মখা...*মখোয় চূড়াচান্দপুরগী ঙাথল খুলদা লৈরম্বদগী মে ৯, ২০২৩দা লাঞ্জেন্নরক্তুনা শুনুসিফাই অপ্পর প্রাইমারি স্কুলদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরকখিবনি অদুবু মচা-মশুশিংগী মহৈ-মশীন তম্বদা চঙবা শেল-থুম খরদা ওইরবসু মেনখৎপা ঙম্লবনি হায়দুনা লাঙ্গোলদা লৈবা মহাক্কী লোয়নবী ববিতাগী মচেগী ক্বার্টর নম্বর দি-৮০ (গেম ভিলেজ) জোন-২দা সোভা অমদি ববিতা লাক্তুনা অফং অফংবা শূ-নোমদুনা লৈরকখিবা থা ৫ রোম শুরম্লে। মখোয় অনীনা লাঙ্গোল গেম ভিলেজদা লৈরক্লবসু মচানুপা, মমৌনুপী অমদি মশুশিংদি রিলিফ কেম্পতা অদুমক লৈখি অদুগা মখোয় অনীনা তাল্লকপা শেলশিং রিলিফ কেম্পতা মরক-মরক্তা লাক্তুনা পীরবগা লোয়ননা মখোয়সু হেক-হেক লৈরমখি হায়রি।

লৈখিদ্রবা দব্লিয়ু সোভা মৈতৈগা পোকমিন্নবা ময়াম্বা দব্লিয়ু জুগিন্দ্রোনা পাউচে অসিদা হায়, ঐহাক্কী ইনাওনুপা সোভা শূবা-নোম্বা য়াম্না কঞ্জবা মীশক্লি। চূড়াচান্দপুরদা লৈরিঙৈদা মিস্ত্রি ওইদুনা নোংমগী লেপ্তুনা শেল তান্নবা হোৎনজখিবনি। মসিদা নত্তনা মখূৎ মশাসু য়াম্না হৈথোই শিংথোইবনা মহাক্লা হৈতবা থবকসু লৈখিদে। থবক শূরগদা নুংঙাইজবা মীওই ওইরকপনা শূফম-নোম্ফম খঙলক্তবদগী ঙাওচনদুনা চৎখিগদবগী মওং তৌরকখি। চূড়াচান্দপুরগী ঙাথলদা লৈরিঙৈ মতমদসু য়ূম শাবা চৎপদা নত্তনা উ শূবা অমসুং লৌউ-শিংউবগী থবক কয়াসু তৌখি। মসিগী মথক্তা য়েন, ঙানুনচিংবা লোয়দুনা ইমুংগী মতেং ওইনবা হোৎনজরম্মী। মে ৩, ২০২৩দা লান হৌরকখিবদগী মখোয় মিজোগী য়ূম অমদা সোভানা হাফপেন্ট অমগা মোজ ফুরিৎ অমগা লিংলগা ময়ূমদগী করিসু পুরকপা নংদনা থবক শূদুনা লৈরম্বদগী অদুমক লাঞ্জেল্লকখ্রবনি হায়রি।

লৈখিদ্রবা ইনাওনুপা সোভা হেক পোকপদগী চূড়াচান্দপুরদা লৈরকপনা কুকি অমদি পাইতেগী লোলসু নীংথিজনা ঙাঙবা মরম্না লান হৌরকপদগী মফম কয়াদা খুল ঙাকপা য়াওদুনা কুকিশিংনা থাদোরকপা ভোইস রেকোর্দিং ফাওবা মীয়ামদা হন্দোক্তুনা কুকিশিংগী লাল্লোং কয়াসু খঙহন্নবা হোৎনরমখি। মীয়ামগী থবক থৌরমশিংদসু কোইচেন চেন্দুনা থৱায় য়াওরমখি। মহাক্কী মশাদা হান্নদগী লায়না অমত্তা লৈরমখিদে অদুবু জুলাই ২৭, ২০২৪দা মশা ওল্লক্তে হায়বদগী রিমসকী কেজুএলিটিদা পুখৎতুনা য়েংলুবদা অনাবগী লায়ওং খঙলকপদগী অমুক হন্না মথংগী নুমিৎ জুলাই ২৮দা ডা. তরুনিগীদা পুদুনা য়েংলুবদা ৰাখল নুংঙাইতবা খনগনু, য়ারিবমখৈ নুংঙাইরোইদবা পাউশিংসু তম্বীগনু হায়রকখিবা লৈখি। নুমিৎ অদুদা মহাক মচা-মশু, মমৌ পূম্নমক কৌদুনা ক্বার্টরদা পূন্না নুমিদাং অদুগী চাক পূন্না চামিন্নরম্লগা নোংঙাল্লমদাই পুং ৩ লোম তারকপদা খঙহৌদনা লৈখিদবনি হায়রকখি। (মথং-মথং)

[illegible]

[illegible]

এল পি অচার্য্য মণিপুরগী ...

লমায় ১গী মখা... ঙাকপগী ৰাশক লৌখ্রে।

ৰাশক লৌবা থৌরমগী মনুং চন্না অনীশুবা এম আরগী কম্মান্দেন্টনা লুচিংবা টিম অমনা গার্দ ওফ ওনর পীখি। থৌরম অসিদা চীফ মিনিষ্টর, স্পিকর, কেবিনেট মিনিষ্টরশিং, রুল্লিং অমদি ওপোজিসনগী এম এল এশিং, পুলিস, এ আর অমদি সী আর পি এফকী মকোক থোংবা ওফিসলশিং য়াওনা মণিপুর লৈঙাক্কী মরু ওইবা ওফিসলশিংনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগী মনুং চন্না রাষ্ট্রিয় সেল্যুট পীখিবগা লোয়ননা মহাক্লা পাউমীশিংদা হায়, মণিপুর অসি মহৌশাগী ফজবতনা থল্লবা য়াম্না নীংথিজরবা ষ্টেট অমনি। মফম অসিদা আর্ট এন্দ কলচরগী ওইবা মহৌশাগী ফজবশিংসু লৈরি হায়বগা লোয়ননা মহাক্লা ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী মরক্তা থবক তৌবা ফংগদৌরিবা অসিগীদমক নুংঙাইবা পোকই হায়খি।

লোয়ননা মণিপুরদা মহৌশাগী তংদু লৈতাবা ফীভম অদু অথুবা মতমদা পুরকহন্দুনা নুংঙাই-য়াইফবা ষ্টেট অমা ওইনবা ঐখোয় পূম্নমক্লা পূন্না হোৎনমিন্নসি হায়নসু পাউমীশিংগী খূত্থাংদা আপীল তৌখি।

হয়েংদগী ময়ায় লম্বীদা পুং ৪৮গী...

*লমায় ১গী মখা...*অসিগী ২৬তগী হৌরগা ঙসি ফাওবগী মনুংদা শেমনজিবীনবা হায়জখিবা অদু থবক্তা ওন্থোকপীরক্তবনিনা মথং থাগী ২গী অহিং নোংয়াইদগী মথং থাগী ৪গী অহিং নোংয়াই ফাওবা পুং ৪৮গী বন্দ তৌরগনি হায়রি।

বন্দ মনুংদা লম্বী অসিদা চেল্লিবা গাড়ী খুদিংমক চৎপা য়ারোই। অদুম ওইনমক মৈহৌ লাংপোক, লাইহীংগী থৌরমশিং, ঈশিং অমসুং অনা-অয়েক্কীদমক চৎথোক চৎশিন তৌরিবশিংদি বন্দ অসিনা কোনশিল্লোই হায়রি। করিগুম্বা পুং ৪৮গী বন্দ অসিগা মরী লৈনবা লোয়শঙনা থবক পায়খৎলক্তবা তারগদি মখা তানা হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিনগনি হায়রি।

টি রঞ্জিৎপু মণিপুর ষ্টাফ সিলেক্সন...

লমায় ১গী মখা... মহাক্লা জোইন তৌবা নুমিৎতগী পারগা চহী ৩গী ওইনা পুগনি নৎত্রগনা মহাক মশাগী চহী ৬৫ শুদ্রিবা ফাওবা পুগনি হায়রি। ফম অসিগীদমক মহাক্লা ফংগদবা পে অমসুং এলারেন্সশিং য়াওনা সর্ভিস কন্দিসনশিংদি মণিপুর ষ্টাফ সিলেক্সন কম্মিসন রুলস, ২০২২গী মতুংইন্না লেপথোক্কনি হায়রি।

মহাকপু কম্মিসনগী চ্যেরপর্সন ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীরিবসি মণিপুর ষ্টাফ সিলেক্সন কম্মিসন এক্ট, ২০২২গী সেক্সন ৩ অমসুং ৪না পীবা প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্ননি হায়রি।

[illegible] / KHANGHANJABA LEIBA YONBA YAROI

Mari leinaba khudingmakta khanghanjari madudi Wangkhei Konsam Leikaida (Houjikna Meihoupham Lampak) leiba ingkhol C/R(P) Sl. No. 311 Patta No. 278/819 amasung Dag No. 1084/1169 asidagi karigumba saruk amatta kanagumba amattana leiba amasung yonba yaroi. Ingkhol asi houjik makhada haijariba eigi ayaba yaodana thabak amatta chathaba yakhiroi.

Sd/- **Phanjoubam Tombi Singh**
Wangkhei Konsam Leikai, Imphal East

HL-P/742/1

[illegible] / ওইনাম য়াইমা সিংহনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ৩১, ২০২৪

রোজর ইরোম মেমোরিয়ল ট্রষ্ট অসিগী এদভাইজরগী ফম পুবিরম্বা ওজা ওইনাম য়াইমা সিংহনা হৌখিবা তাং ২৭/০৭/২০২৪ ইংদা খঙহৌদনা লৈখিদবদা রোজর ইরোম মেমোরিয়ল ট্রষ্টকী মায়কৈদগী মিনিত অনী তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকচরি। ট্রষ্ট অসিগী প্রসিদেন্ট এন. চাউবা সিংহগী চেরোল অমনা হায় লৈখিদ্রবা ওজা য়াইমানা ট্রষ্টকী থবক থৌরম কয়া অসিবু চাউখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌরমখি। মহাক্লা খঙহৌদনা লৈখিদবদা মেনশিনবা ঙমদবা কয়া লৈহৌরগনি হায়না ফোঙদোকখি। ঙসি নুংথিল পুং ৩ তারকপদা থঙ্গাল বজারদা লৈবা ট্রষ্ট ওফিসতা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপূগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবগীদমক থৌনিজবগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু ট্রষ্ট অসিগী মেম্বর পূম্নমক্লা শরুক য়াজরি।

Sd/- N. Chaoba Singh
President, Rozer Irom Memorial Trust
Manipur

HL-P/737/1

[illegible]

COLLEGE LEVEL
EXTEMPORE SPEECH COMPETITION
12th August, 2024
International Youth Day
at NG College, Lamphelpat.

Theme:
Youth, Drug abuse & HIV

Language:
English & Manipuri

Last date of entry,
August 10.



To participate, whatsapp your college id card to 9856086085

Manipur State AIDS Control Society

HL-B/8961/30/7-8/8